# পুন্সিগী ওইনা খঞ্জরুবা অদুগী ওন্ন–তৈনবদা লাইবক্কা তল্লম্মী

## একেন সিজগ্গুরুময়ুম

দেজিলেন্দ ফিল্মসকী অহানবা ওইনা পুথোকপা 'ইঙেনগী নিনি পানবা' হায়রিবা ফিল্ম অসি ভৈগ্যচন্দ্রা ওপন ইয়ার থিয়েটরদা মমাং চহীগী দিসেম্বরগী তাং ১০ দা উৎখ্রবা মতুংদা ফিল্ম অসি হৌজিক হৌজিক ইম্ফালগী পাওনা বজারদা লৈবা উশা সিনেমা হোলদা উৎলি।

ফিল্ম অসিগী শল্লপ্পা ৱারিদা লাংলেন মমা লুখ্রাবীনা য়োকপী নুপীমচা অমা ওইরগসু মহাক্কী মথক্তা মবুং অমা লৈ। মবুং অদুনা য়ুম পাল্লকপদগী মহাক্কী মনম্মা অদুনা হুমদুনা পুখিদুনা ইমুং মনুংগী অৱা অনা কয়া অদু লুখ্রাবী ওইরবা মমাংনা দয়িত্ব লৌখি। লাংলেননা ইঙেনগী নিনি পানবা নুমিৎতা থোই কৌবা নুপামচা অমা থেংনখি। থোই (কাইকু)না লাংলেন (কৃপালক্ষমী)বু পামজখি। মহাক্কা মিৎ উদ্রবী নুপীমচা অসিবু মহাক্কী পুন্সিগী খোংলোই ওইগে হায়বগী আসাদা মহাক্কা নুংশি মরী লৈনখি। নোংমা লাংলেনবু লায়েংবা লাকখি। মদুদা শর্ম্মা, জেনিফর, রতন খেকমন, প্রিয়ানচিংবা মীওই কয়ানি। সুর ফিল্মদা অহানবা খোঙদারকপা আর্টিষ্ট ওইরগসু সুমাং লিলাদা তোঙান তোঙানবা রোল কয়া লৌদুনা মীয়ামদা নীংথিনা শক তাকখ্রবা এক্টর অমনি। মহাক্কা ঙসি ফাওবদা সুমাং লিলা নত্রগা ফিল্মদা শিন অমখক্তমক থোক্লগসু নীংথিনা মহাক্কী হৈজবা কয়া অদু মীয়ামদা মপুং তিংনা উৎথোকপা ঙম্বা নহা ওইরিবা এক্টর অমনি। সুমাং লিলাগী এক্টর অসিনা ফিল্মদা সপ্পোর্টিং রোল লৌরকপা অসি য়াম্না মপুং ফাই। মসিদা দিরেক্টর ওইরিবা গীৎচন্দ্রগী অচৌবা হোৎনজমন অদু মায় পাক্লে হায়বদি য়াই। গীৎচন্দ্র মমাংদা ফিল্ম অমত্তা পুথোকখিদ্রি অদুবু ফিল্মদা মতেক মতেক নত্রগা মপুং ওইবা রোল কুম্লকখ্রবা মীশক অমনি। হৌজিক হৌজিকসু সুমাং লিলাদা তোঙান তোঙানবা রোল লৌদুনা মীয়াম্না তোয়না উনরিবা এক্টর অমনি। এক্টর অসিনা ফিল্ম অমা দিরেক্সন পীদুনা পুথোকপা হায়বা অসি মহাক্কী হোৎনজবা অদু মায় পাক্লে হায়বা য়াই। মরক মরক্তা সুমাং লিলা খরদা মহাক্কা এসিস্টেন্ট দিরেক্টর ওইদুনা লিলাগী দিরেক্টর অদুগা পুন্না দিরেক্সন পীমিন্নখ্রবা এক্টর অমসুনি।

ফিল্ম অসিদা অহানবা ওইনা শক্তম লাংলক্লিবা কৃপালক্ষমীনা মহাক্কী অহানবা ফিল্ম অসিদা য়াম্না নীংথিনা এক্ট তৌরক্কনি হায়বসি কনানসু থাজদে। মশাগী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অসিনা ফিল্মদা য়াম্না পাম্না চঙশিল্লক্লি। অনৌবা মায়থোং অমা ওইবগা লোয়ননা মীয়াম্না পাম্নবা অনৌবা এক্টরশিংগী মনুংদা চঙশিনবা ঙম্লবী এক্ট্রেস অমসুনি। মহাক্কী মমাংদগী ফিল্ম কয়াদা নীংথিনা এক্ট তৌরিবা এক্টর অমনি। ফিল্ম অসিগী মতাং অমদা কাইকুনা শক্তম লাংখিবা থোইবু ফত্তবা মীওই খরনা মরী মখোঙ তাক্তনা য়াম্না তমথিনা ফুরল্লগা শিখ্রসনু হায়দুনা লোক্তা লংথখি। অদুবু চীংমী খরনা থেংনদুনা মহাকপু খুল অদুগী অহল অমগী ময়ুমদা লায়েংখি। অদুমওইনমক মহাক্কা হৌখ্রবা মতমদা করি তৌখ্রবগে হায়বা অদুদি নীংশিংবা লৈখিদে। খুল অদুগী অহল শাখিবা সুমাং লিলাগী আর্টিষ্ট মতম অমদা ফিল্মদা কমান্দো শাখিবদা ফাওখিবা সুমাং লিলাগী এক্টর অমনি। মহাক্কা অহানবা ওইনা ফিল্মদা কমান্দো অমা শাখিবা অসি সেল্লুলোইদকী মতমদা পোনি ফিল্মসনা পুথোকখিবা সুর্জকান্তনা দিরেক্টর অমদি ফিল্মদা চঙলকখিবী অনৌবা এক্ট্রেসশিং খরা হায়রগদি আর্টিনা, জেনিফর অমদি সুস্মিতা অসি ফিল্ম খরদা উরুবদগী মখোয়না তৌরিবা এক্ট অদুবু মীয়াম্না পাম্নীবদগী মখোয়না কুম্লকপা ফিল্ম কয়া মীয়াম্না থাদনা য়েংনরি। মখোয়গী মনুংদা নৌরিবা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ফিল্মদা অঙাংগী রোল লৌরকখিবী সোনিয়া সমজেৎশাবমসু মীয়াম্না পাম্নবা এক্টরশিংগী মনুংদা চঙশিনবা ঙম্লি।

কাইবু মতম শাংনা মণিপুরী ফিল্মগী ইতিহাস্তা তনৌ তনৌবা মায়থোং পুবা এক্টর অমা ওইনা হৌজিকসু তোঙান তোঙানবা



ওইখিবা প্রদ্যুসর 'মৈরি' হায়বা ফি ল্ম চীংলেন থিয়াম্বু মীয়াম্না ফিল্ম অদুদগী খঙনখি।

ফিল্ম অসিদা সিনেমাতোগ্রাফর ওইখিবা রাধামোন মতম কয়াগী মমাংদগী রোমি মৈতৈগা পুন্দুনা ফিল্ম কয়াগী সিনেমাতোগ্রাফর ওইদুনা লাকখিবনি। মহাক্কা ফিল্ম অসিদা মিদ সোট, ক্লোজ অপ অমদি জুমনচিংবা কয়া শিজিন্নখি। মহাক্কী সোট দিভাইজশিং অসি য়াম্না নীংথিজে অদুবু সোলজর সোটতদি চেকশিনবা ৱাৎপগী খুদম খরদি অদুমক ফংই। কাইকুবু লোক্তা লংথখিবগী কট এৱে অদুসু য়াম্না নীংথিজে হায়বা তাই।





লাংলেন অমদি মহাক্কী অপোকপীবু হোস্পিতালদা থল্লল্লগা থোকখিবদা শকখঙদবা মীওই খরনা থোইবু ফাদুনা পুরগা তমথিনা ফুরগা শিখ্রসনু হায়দুনা লোক অমদা হুন্দোক্লমখি।

অমরোমদা লাংলেনবু লায়েংলিবা ডাক্টর লেম্ব (সুর)না মহাক্কী খঙজবী কয়া অমদি মথক থোংবা ডাক্টর কয়াগা খন্নরবা মতুংদা লাংলেনগী মিৎ অসি অমুক হন্না উহনবা য়াগনি হায়দুনা ওপরেসন তৌখি। ওপরেসন তৌরবা মতুংদা লাংলেন অমম্বা সংসারদা লৈরম্বা অদু ওইদ্রে। মহাক্কা প্রকৃতিগী ফজাবা কয়া উবা ফংলগসু মহাক্কা থম্মোয় শেংনা নুংশিজখিবা থোইবুদি উবা ফংখিদে। ডাক্টর লেম্বনা লাংলেনবু থম্মোয় শেংনা নুংশিখি অমসুং মহাকপু মহাক্কী লোয়নবী ওইনিংবগী অপাম্বা কয়া লাংলেন মশাদা ফোঙদোকখি। মসিদা নত্তনা ডাক্টর লেম্বনা মহাক্কী ইমুংগী অহল–লমনশিং ফাওবা থারক্তুনা লাংলেনবু লুহোংনবা হায়খি। লাংলেনগী মমানা ডাক্টর অমনা মহাক্কী মচানুপীগী মপুরোইবা ওইগে হায়রকপা অসিদা হরাওবগা লোয়ননা য়ারে হায়খি। মতম অসিদা লাংলেনদি ৱারি অদু খঙলমদে। লাংলেননা ৱারি পুম্বা খঙলকপা মতমদা মমাদা মহাক্কী নুংশিজবা থোইবু ঙাইনবগী মতম পীনবা হায়জখি। লাংলেননা নিংজরম্বা পুম্নমক অরেম্বদা তাখিবগা লোয়ননা ডাক্টর লেম্বগা লুহোংখি। লুহোংলবা মতুংদা ডাক্টর লেম্বগী মমা অমদি মপা লাই খুরুম্বা চৎখি। মখোয়না চৎখিৗঙৈগী মতম অদুদা ডাক্টর লেম্বনা হান্না তিন্নবা থোই মহাক্কী ময়ুমদা লাকখি। থোইনা লাংলেনবু উবদা মহাক্কা খঞ্জরম্বা কয়া অদু অরেম্বা ওইরে হায়না খনখি।



অমরোমদা লাংলেননা মমাংদা হঞ্জিন–হঞ্জিন্না তাখ্রবা খোঞ্জেল অমনা ডাক্টর লৈৱ্রা হায়বা ৱাহৈ অসি তারবা মতুংদা মহাক্কা মতম কয়াদগী নীংজরকপা দা থোই হায়রিবা মীশক অদু মহাক্কী হায়না খঙবা ঙমখিবা কয়া অসি উৎপা ফিল্ম অমনি দেজিলেন্দ ফিল্মসকী 'ইঙেনগী নিনি পানবা'। ফিল্ম অসিগী ডিরেক্টরনা গিৎচন্দ্র সিংহনি। প্রদ্যুসরনা সুরগিৎ, ষ্টোরি এণ্ড স্কৃনপ্লে গোপেশ্বর শাপম, দাইলোগ–জোয়চন্দ্র খুমননি, সিনেমাতোগ্রাফি–রাধামোহন নি। ফিল্ম অসিদা শক্তম লাংলিবশিংগী মনুংদা কাইকু, সুর, সুমাং লিলাদা মীয়াম্না শকখঙলবা আর্টিষ্ট অমা কৃপালক্ষমী ফিল্ম অসিদা অহানবা ওইনা মেইন রোল পুরিবা নুপীমচা অমনি।

মখোয়শিং অসি নত্তবা আর্টিষ্টশিংদি শান্তি, শ্যামকেসো










Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*